**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-01-2026)**

**নিউ ইয়ার (এল) ঃ** অনৌবা চহি ২০২৬ ঙসিদগী হৌরে। অনৌবা চহিবু মীয়ামা হরাউ তয়ামা ওকরি।

অনৌবা চহিনা লাকপদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্রনচিংবা লুচিংবা কয়ানা তরামা ওক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাষ্ট্রপতিনা হায়-অনৌবা চহিনা অনৌবা শক্তি অমদি অফবা মাইকৈদা লমজিংদুনা অনৌবা আশা কয়াগা লোয়নননা মাঙলোমদা চংশিন্নবগী খুদোংচাবা পীরি। খুনাইদা নুংশি চান্নবা পুরক্তুনা, অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনবগা লোয়নননা লৈবাক অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমকা কন্না হোৎননবসু রাষ্ট্রপতিনা হায়রি।

মহাক্কী পাউজেলদা প্রধান মন্ত্রিনা অনৌবা চহি অসিনা মীপুম খুদিংমক্কী অনিংবা অপাম্বা কয়া থুংহনবগা লোয়নননা হকচাং ফবা অমদি চাওখৎপা পুরকপা ওইরসনু।

মহাক্কী পাউজেলদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা অনৌবা চহি অসিনা মীপুম খুদিংমক্তা শান্তি, অনা অয়েক লৈতবা, নুংঙাইবা অমদি চাওখৎপা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, রাজ্য বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, এম.এল.এশিং অমদি লুচিংবা কয়ানসু মীয়ামদা অনৌবা চহিগী য়াইফ পাউজেল পীরি।

**গান-ঙাই (এল) ঃ** কবুই ফুরুপকী নাৎকী কুম্মৈ গান ঙাই ঙসিদগী হৌরে। নুমিৎ মঙানি পাঙথোক্কদবা কুম্মৈ অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা

হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকরি।

হৌনবী মতুং ইন্না হোই লাউবা, মৈবা চিংবা অমদি ঈশ্বরগী মফমদা অশেংবা য়ু কৎপনচিংবনা হৌদোকপগী থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা হায়রি-গান ঙাই অমসুং অনৌবা চহি ২০২৬ না মনিপুরদা নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু।

ইম্ফাল ইষ্টকী চিংমৈরোংদা ষ্টেট লেবেল গান ঙাই সেলেব্রেসন কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী সৈত্যবরতানা হায়-গান ঙাই কুম্মৈ অমদি অনৌবা চহিনা লমদম অসিদা অমত্তা ওইবগী শক্তম, থৌনা ফবা অমদি নুংশিনবগী অহৌবা খোঙথাং অমা লাকপা ওইরসনু। মহাকা হায়-ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরবা খক্তদা হৌখিবা কয়াগী অশোয়বা অরানবা চুমথোকপা ঙমগনি অমসুং তুংগী অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপা ঙমগনি।

মনিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমকা ঐখোয়গী হৌরকফম মশক খঙনা আইদেন্টিতি অমসুং কলচর য়াওনা চৎন-লোনচৎ পুমমক অসি ঙাক্তুনা চৎপনা ঐখোয়গী ফুরুপশিং তুং কোইনা মুৎপা নাইদনা মশক থোকা লৈবা ঙমগনি হায়না এম.এল.এ. গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি।

গান ঙাই প্রিজার্ভিং কবুই হেরিতেজনা শিন্দুনা গান ঙাই কুম্মৈ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোন্থৌজম মমাং কবুই খুলদা পাঙথোকখিবা গান ঙাই কুম্মৈগী থৌরমদা শরুক য়াদুনা শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-মনিপুর অসি মশা মশাগী চাউথোকচনিংঙাই ওইবা লাইনিং লাইশোল অমসুং কালা সংস্কৃত্তি য়াওনা চৎন-লোনচৎশিং লৈজবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা পুনশিনদুনা শেম্বনি। মসি কাউথোক্তুনা ইশা ইশাগীগী য়াইফনবা ঐগী ফুরুপকী য়াইফনবনি হায়বা ৱাখল্লোনদা মাং থাদুনা থবক তৌরবদি মনিপুর মচেৎ তাবগী ফিভমদা লাক্কনি। ফুরুপশিংগী মরক্তা কবুই অমসুং মীতৈ ফুরুপ অনিগী মরক্তা লৈনরিবা খুন্নাইগী মরী অসি ইতিহাসকী শাক্খিনি।

শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-মনিপুরদা রাজ্যগী থাক্তা পাঙথোকপা নাৎ অমসুং

কালা সংস্কৃত্তিগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা মপুং ফানা মীয়াম পুনবা ঙমদবগী ফিভমদা লাক্লি। মসি অফবা খুদম নত্তে। মসিনা তাকপদি লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং মশা মশাগী ওইবা লাইনিং লাইশোল, নাৎ অমসুং কালা সংস্কৃত্তিদগী নাথৈদুনা চৎলে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

থৌরম অদুদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিং, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং অতৈ লুপশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি। থৌরমদুগী মনুং চন্না গান ঙাই কুম্মৌগা মরী লৈননা লাইনিং লাইশোলগী থৌরমশিং অমদি জগোই ঈশৈনচিংবসু পাঙথোকখি।

গান ঙাই কুম্মৌনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাডজেল পীরি ।

মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী বিরেননা হায়-গান ঙাই কুম্মৌনা ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃত্তি য়োকখৎপদা অচৌবা ইনোৎ অমা পীবগা লোয়নননা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা হেনগৎহনবা ওইরসনু। লমদম অসিদা শান্তি, নুংঙাই য়াইফবা অমসুং চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু হায়না শ্রী বিরেননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

**গভনর (এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগা উন্নদুনা মনিপুরগী শান্তি রক্সাগী ফিভম নৌহৌননা য়েংশিন্নবা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা, ন্যু দিল্লিগীদমক ঙসি ইম্ফালদা থাদোকখ্রে।

রাজ্যপালনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগা উন্নদুনা কুপা খন্নগনি। রাজ্যপালনসু হৌজিক ওইরিবা ফিভম গৃহ মন্ত্রিদা পাউদমগনি হায়রি।

**এ আর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তেংনৌপল জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা আউটরিষ্ট প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অসাম

রাইফলসগী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা জিল্লা অদুগী খুঙ্গং ১৩ গী খুঞ্জা লিশিং অনিরোমগা শান্ন খোৎনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎমীন্নখ্রে। থৌরাং অসি নহাশিংগী মরক্তা অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনা থম্বা, মশা-মউ ফনা লৈহনবা অমদি তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা শরুক য়াহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎপনি। মসিগীদমক অসাম রাইফলসকী ওফিসিএল ১২০ হেনবনা থৌরাংশিং অসি নীংথিনা পায়খৎনবা নীংথিনা থবক চখুরি।

মনিপুরগী শিমনা পরিংদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংগা সেকুূ্যরিতি ফোর্সশিংগা অফবা মরী থমবগী পান্দমদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ফেরজোল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেমা লায়েংবগী কেম্প কয়া পাঙথোকখ্রে। হকশেলগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংদবা খুঙ্গংশিংদা হকশেলগী খুদোংচাবা হেন্না ফংহন্নবগী পান্দমদা খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি হায়রি। কেম্পশিং অসিদা পুন্না মীওই ৪৫০ রোম লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখি।

**ঈ (এল)ঃ** এ.ভি.দি.দি. অমদি মসিগী এসোসিয়েটশিংনা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগা খুৎশমদুনা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমসুং দেদিকেটেদ ব্লড দোন্নরশিংবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী রিমসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নুপী মরি য়াওনা পুন্না মীওই ১৩০ না ঈ দান তৌখি।

**মুরুমঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ভারত অসি মালেমগী খ্বাইদগী শেল পায়বা অহুমশুবা লৈবাক ওইনবা হোৎনরি। পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) না মরুওইবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

ন্যু দিল্লিগী রাস্ত্রপতি ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা এ.আইগা মরী লৈনবা

থৌরম অমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-এ.আই. হায়বসি ইচম চন্বা টেকোলোজি অমা নত্তে। মসি লৈবাক অসিবু অচুম্বা মায়কৈদা অহোংবা পুরকবা খুৎলায় অমনি।

লৈবাক অসিগী পোৎথোক চাথোক হেনগৎহনবা, নহাশিংদা থবক পীবা ঙমহনবা অমসুং অতৈ চাউখৎ থৌরাং কয়াদা এ.আইনা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। মালেমগী খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লিবা ভারতগুম্বা লৈবাক অমদা এ.আইনা মরুওইবা থৌদাং লৌগদবা মরমনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমকা এ.আইগী ৱাখল্লোন নীংথিনা খঙনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**রাজনাথঃ** দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও) লিংখৎখিবগী কুমওন নুমিৎতা ঙসি ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা মসিগী বৈগ্যানিকশিং অমদি অতৈ মীওইশিংগী মফমদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী রাজনাথনা দি.আর.দি.ওগী বৈগ্যানিকশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অমদি অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা লৈবাক্কী ওইবা থবক পাঙথোকপনচিংবা কয়া অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়-লমদম অসিগী ওইবা টেকোলোজিশিং পুথোক্তুনা দি.আর.দি.ওনা লৈবাক অসিবু মীপাল তাংহন্দবগা লোয়ননা আমর্দ ফোর্সেসশিংগী থাজবা হেনগৎহল্লি।

**মেটঃ** মনিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক লমদমদা থা অসিগী মঙা ফাওবা লৈচিল কুংনা থাগনি।

ইন্দিয়ান মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং- অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মনিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরা অমসুং সিক্কিমদা হয়েং লৈচিল কুংনা থাগনি।

অমরোমদা, উরিষ্যা, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর অমসুং দিল্লিদসু মসিগা মান্নবা ফিভম মায়োকগনি। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি অসিদনা হিমাচল প্রদেস

অমসুং পঞ্জাবতা লৈচিল কুংনা থাবগী সমস্যা মায়োকগনি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা কোলকাতা অমসুং গুৱাহাতিগী মরক্তা চেনগদবা ভন্দে ভারত স্লিপ্পর রেলগাড়ি অথুবা মতমদা লমথারগনি।

রেল মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-লৈবাক অসিগী ইহান হানবা ভন্দে ভারত স্লিপ্পর রেলগাড়ি অসি অথুবা মতমগী মনুংদা কোলকাতা অমসুং গুৱাহাতিগী মরক্তা চেলহল্লগনি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী বৈসনোনা হায়-হায়রিবা রেলগাড়ি অসি চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা হৌদোক্লগনি। মহাকা হায়-কিলোমিটর লিশিং অমদগী লিশিং ১,৫০০ ফাওবা শাংনা চেন্নবগীদমক হৌজিক হৌজিক স্লিপ্পর ১৬ লৈরে। রেলগাড়িশিং অসিগী অতোংমল লুপা লিশিং ২,৩০০ দগীনা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং য়াওরগা লিশিং ৩,৬০০ ফাওবা ওইরবা য়াই।

**এক্সাইজ দ্যুতিঃ** চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ১ দগী হিদাক মনাগী পোখোকশিংদগী অহেনবা এক্সাইজ দ্যুতি অমসুং পান মসালাদগী অনৌবা সেস লৌবা হৌরগনি হায়না সরকারনা হায়রি। মসি জি.এস.টিগী মথক্তা লৌগদবা অহেনবা টেক্সশিংনি।

সরকারগী নোতিফিকেসন অমগী মতুংইন্না পান মাসালা, চুরুট, হিদাক মনা অমদি মসিগী অতৈ পোখোকশিংদা চাদা ৪০ গী চাংদা জি.এস.টি লৌরগনি। অদুগা বেরিদনা চাদা ১৮ গী চাংদা জি.এস.টি লৌরগনি। মসিগী মথক্তা পান মসালাদা হেলথ এন্দ নেসনেল সেক্যুরিতি (সেস) অদুগা হিদাক মনা অমদি মসিগী পোখোকশিংদনা অহেনবা এক্সাইজ দ্যুতি লৌরগনি। মসিগী মতাংদা সংসদনা দিসেম্বর থাদা বিল অনি অয়াবা পীখ্রবনি।

**লেবরঃ** কেন্দ্রনা অনৌবা লেবর কোড মরিগী দ্রাফট রুলশিং পুথোকখ্রে। মখোয়শিং অদুদি-কোড ওন ৱেজেস ২০১৯, ইন্দষ্ট্রিয়েল রিলেসন্সন কোড-২০২০, কোড ওন সোসিএল সেক্যুরিতি-২০২০ অমসুং ওকুপেস্নেল সেফতি, হেলথ এন্দ ৱার্কিং কন্দিসন কোড-২০২০ নি।

লৈবাক অসিগী চহি কয়াদগী চৎনরক্লবা অরিবা লেবর লোশিংবু হেন্না লায়থোকহন্নবা অমদি নীংথিনা চৎনহনবা ঙমবগীদমক মমাং চহিগী নবেম্বর ২১ দা লেবর মন্ত্রালয়না অনৌবা লেবর কোডশিং অসি চৎনহন্নবগীদমক লাউথোকখিবনি। মন্ত্রালয়গী মতুং ইন্না অনৌবা লেবর কোড অসিনা লৈবাক অসিগী থবক শুবা মীওইশিংগী মীওইশিংদা খুৎশুমল হেনগৎহনবগা লোয়নননা সোসিএল সেক্যুরিতি ফংহন্দুনা হেন্না নুংঙাই য়াইফবা পুন্সি ওইহনগনি।

অনৌবা থৌওং অসিদা চহি ৪০ গী মথক্তা লৈবা শিন্মীশিং চহিগী ওইনা লেমা মশা লায়েংবা, ওভর টাইমগী অহেনবা শেল পীবা অমদি মালেমগী থাক্তা শিন্মীশিংদা সোসিএল জষ্টিস ফংহনবনা চিংবা য়াওরি।

**য়ুপিআইঃ** চহিগী ওইনা য়ুনিফাইদ পেমেন্ট ইন্টরফেস (য়ু.পি.আই) শিজিন্নবগী চাং চাদা ২৯ হেনগৎতুনা মসিগী চাং বিল্লিয়ন ২১.৬৩ য়ৌরে।

নেসনেল পেমেন্টস কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়ানা থাদোরকপা দাটাগী মতুং ইন্না ত্রান্সলেসন তৌবগী চাং অসিসু চহিগী ওইনা চাদা ২০ হেনগৎতুনা লুপা কোতি লাখ ২৮ লোম য়ৌরে। থা থাগী ওইনা য়েংবদসু মসি শিংথানিংঙাই ওইবা চাংদা হেনগৎলে। মমাং থাদা নোংমগী ওইনা ত্রান্সজেক্সন তৌবগী চাং অসি লুপা কোতি লিশিং ৯০,২১৭ ওইখি। অদুবু, মসি ২০২৫ গী নবেম্বর থাদদি লুপা কোতি লিশিং ৮৭,৭২১ দমক ওইখিবনি।

**স্কিমঃ** মীরোনবী অমদি খোমজিংবী মমাশিংগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎপা ফ্লেগসিপ স্কিম, প্রধান মন্ত্রি মাত্রু বন্দানা য়োজনা ঙসি চহি ৯ মপুং ফারে। স্কিম

অসিগী মখাদা মীরোনবী অমদি খোমজিংবী মমাশিংদা অহানবা অঙাং উন্নবগী ওইনা লুপা লিশিং ৫ অদুগা অনিশুবা মচানুপীগী ওইনা লুপা লিশিং তরুক পীরি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-স্কিম অসি ইং ২০১৭ তগী হৌদোকখিবনি। মসিনা মীরোনবী অমদি খোমজিংবী মমাশিংগী মশা-মউ ফনবা শেন্থং পীদুনা লাক্লি। কেন্দ্রগী ফ্লেগসিপ স্কিম অমা ওইরিবা প্রধান মন্ত্রি মাত্রু বন্দানা য়োজনানা শেল থুমগী ফিভমদা শোত্থরবা অসিগুম্বা নুপীশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরি। অহানবা অঙাং মীরোনবগী ওইনা নুপী অমনা মীরোল্লে হায়বগী রেজিস্তার তৌবা নুমিৎতা লুপা লিশিং অহুম অদুগা অঙাং উন্নরবা মতমদা লুপা লিশিং অনি পীরি। মসিগী খুদোংচাবা ফংলবী নুপী অমনা জন্নানি সুরক্ষা য়োজনাগী শেনফমসু ফংলি।

কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-স্কিম অসিগীদমক হৌজিক ফাওবা মীওই কোতি মরি লাখ ৫০ দা খুদোংচাবা পীরি। হৌজিক ফাওবদা বিনিফিসরিশিংদা লুপা কোতি লিশিং ১৯ ফংহনখ্রে।

**টাইকুন্দোঃ** ওল মনিপুর টাইক্বান্দো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ৩৪ শুবা মনিপুর ষ্টেট টাইকুন্দো চেম্পিয়নসিপ ২০২৬, থা অসিগী ২৮ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা সব-জ়নিয়ার কেদেদ জ়নিয়ার অমদি সেনিয়ারগী নুপা অমদি নুপীশিংগী কাংলুপ্তা অথোই অহেন তান্নগনি। শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা এন্ত্রি পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৫ ফাওবনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**রোপ ঃ** স্পোনটেনিয়স এসোসিয়েসন ওফ জম রোপ মনিপুরগী মীৎয়েং মখাদা মরিশুবা সব-জ়নিয়ার অমদি সেনিয়ার ষ্টেট লেবেল জম রোপ চেম্পিয়নসিপ চহি অসিগী মার্চ ২৮ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

শরুক য়ানিংবশিংনা অকুপ্পা মরোল য়াইরিপোক তুলিহ্লদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিদগী খণ্ডলবা য়াগনি।

**খো-খো ঃ** ৪৪ **শু**বা জ্নিয়র নেসনেল খো খো চেম্পিয়নসিপ ঙরাংদগী বেঙ্গলুরুগী গুনজ্রদা লৈবা অতল বিহ্যরি ভাজপায় ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদগী নহা ওইরিবা এথলেট লিশিং ১ রোমনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ারি। ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংগী মেটচ ৪০ রোম শান্নখি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচশিং জনুৱারি ৩ দা অদুগা ফাইনেল মেটচনা জনুৱারি ৪ দা শান্নগনি।